**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা ঙরাং তেংনৌপল অমসুং থৌবাল জিলাশিংদা চত্তুনা শান্তি রক্সাগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

২) রিমস ইম্ফালদা খোঙগী শরু তেকপদগী নুপী অমা সরজরি তৌননবা হোৎনরিঙৈদা লৈখিদবা অদুগী মতাংদা ইনক্কারি চখুবা হৌখ্রে।

অমসুং

৩) সংসদকী নোংজ্ মীফম, মহয় য়ানবা মীফম অমা ওইখি হায়না কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়রি।

------

দিজিপি (এল) ঃ রাজ্যগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা ঙরাং তেংনৌপল অমসুং থৌবাল জিলাশিংদা চত্তুনা শান্তি রক্সাগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে। মহাকা মফমশিং অদুদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সোনেলশিং অমসুং ওফিসারশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী পুকিংসু থৌগৎখি।

শ্রী সিংহনা অহানবা ওইনা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা থুংদুনা মফম অদুদা লৈরিবা পুলিস পার্সোনেলশিংগা ৱারী শান্নখি। কম্মান্দোগী পার্সোনেলশিংগসু উন্নদুনা মখোয়গী পুকিং থৌগৎখি। মোরেদা লৈবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন খরগী মীহুৎশিংগসু দি.জি.পিনা উন্নখি। মদুগী তুংদা, মহাকা

তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদা লাক্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা ষ্টাফশিং অমসুং পুলিস পার্সোনেলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমসুং আইন কায়না ড্রগ লল্লোনবশিং থেংননবা পাউতাক কয়াসু দি.জি.পিনা পীখি। তেংনৌপল হেদক্কাটরসতা লৈবা অসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েলশিংগসু উন্নদুনা বোর্দর ফেন্সিং অমসুং ঙাকশেলগী মতাংদা ওইরিবা ফিভমশিং কুপা খন্ন-নৈনখি। মদুগী তুংদা, রাজিম সিংহনা থৌবাল জিলাদা লাক্তুনা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন খরগী মীহুৎশিংগা উন্নখি। জিলা অদুদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি ড্রগকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা অরোনবা অককবা পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শুনুশিফাই পাৎতোন এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোর্তি সভেন রাইফল অমা, এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, নোংমৈ মরু ১৫, স্মোক গ্রেনেদ অমা, বাউফেং রেদিও সেট অমা, বুল্লেট প্রুফ জেকেট ৬ অমসুং বুল্লেট প্রুফ হেলমেট মরি য়াওরি।

রিমস (এল) ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা খোঙগী শরু তেকপদগী চহি ৫২ শুরবী নুপী অমা থা অসিগী ১৯ দা সরজরি তৌননবা হোৎনরিঙৈদা খঙহৌদনা লৈখিদবা অদুগী মতাংদা ইনক্কারি চত্থবা হৌখ্রে।

রিমসকী মিদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- নুপী অদু থা অসিগী ১৪ দা লায়েংনবা পুরকখিবনি। মহাকপু সরজরি তৌনবা হোৎনরিঙৈদা খঙহৌদনা কার্দিও রেস্পিরেটরি ফেল ওইরকখি। মেদিকেল টিম অমনা মহাকপু কন্নবা কন্না হোৎনবদা ফগৎলকপা ঙমদবদগী নুপী অদু লৈখিদবনি। লাইবক

থিবা থৌদোক অসিনা মহাক্কী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা রিমস ইম্ফালনা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতে। হৌজিক চথরিবা ইনক্কারি অসি অতেনবা মতমগী মনুংদা লোইরক্লগনি। মসি লোইরবদি নুপী অসি লৈখিদবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙল্লগনি। রিমস ওথোরিতিনা হোৎনরিবা অসিদা মপুং ফানা মতেং পাংবীনবসু চেরোল অসিনা আপীল তৌরি।

বিরেন (এল) ঃ অমান এসিয়ান ওপন জ্দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবী তখেল্লম্বম ইনুংঙানবীবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- ইনুংঙানবীনা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা সনাগী তকমান লৌরকপা অসি ঐখোয় পুমমক্কী চাউথোকচনিঙাইনি। মহাক্কী থোইদোক হেন্দোক্লবা মায় পাকপা অসিনা মণিপুর অমসুং লৈবাক অসিগী মীংচৎ হেন্না পুরকপা ঙমলে। মহাকা মখা তানা শান্নবদা হেন্না চাউবা মায় পাকপশিং পুরকপা ওইরসনু হায়না শ্রী বিরেন্না মখা তানা ফোংদোক্লি।

সংসদ ঃ সংসদকী নোংজ্ মীফম ঙরাং লোইশিনখ্রে। লোক সভাদা ঙরাং সভাগী মীফম য়েথোকলুরবা তুংদা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবা মতমদা মীফম হেক হৌবগা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা সভাদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংগী পাউদম অমা পীখি। মহাকা হায়- হন্দক্কী মীফম অসিদা ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা অখন্নবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অনিরক পাঙথোকখি। মদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু মতিক চাবা পাউখুমশিং পীখি। ভারতকী স্পেস প্রোগ্রামগী মতাংদসু অখন্ননা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। অদুমওইনমক, চরাংনবশিং থোকপদগী মমল য়াম্লবা সভাগী মতম কয়া মাংহনখিবা অদুদা শ্রী বিরলানা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

রাজ্য সভাদসু সভাগী মীফম লোইন্দিঙৈদা ঙরাং ১৩০ শুবা কন্সটিট্যুসন (এমেন্দমেন্ট) বিল, দ গভর্নমেন্ট য়ুনিয়ন তেরিতোরি (এমেন্দমেন্ট) বিল অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর রিওর্গনাইজেসন (এমেন্দমেন্ট) বিলবু জোইন্ট কমিতি ওফ পার্লিয়ামেন্টতা মখা তানা য়েংশিন্নবা থাদখি।

সংসদকী নোংজ় মীফম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ়না পাউমীশিংদা হায়- হন্দক্কী মীফম অসি য়ামা মহয় য়ানবা মীফম অমনি হায়না লৌবা য়াই।

মোদি ঃ যুক্রেন অমসুং খা থংবা এসিয়াদা শান্তি লৈহন্নবগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইম্মানুএল মেক্রোনগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নবা অদুদা যুক্রেন অমসুং নোংচুপ এসিয়াদা শান্তি লৈহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখি। মফমশিং অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা য়ারিবা মখৈ থুনা পুরকবা হোৎনবদা ভারতনা পাংবা য়াবা মতেংশিং মখা তানা পাংখিগনি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক, ঙাকশেল, সিভিল ন্যুক্লিয়ার কোওপরেসন, টেকোলোজি অমসুং ইনর্জিগী লমদা তেংবাং পীনবগী মতাংদসু মখোয় অনিনা ৱারী শান্নখি। ভারত অমসুং যুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী মরক্তা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট চৎনহনবদসু ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতিনা শৌগৎলি হায়না ফোংদোকখি।

ইসরো ঃ ইসরোগী চেয়ারমেন ভি. নরায়ানন্না হায়রি- ভারতকী মী তোংবা স্পেচ মিসন গগনয়ানগী অহানবা টেষ্ট ফ্লাইট চহি অসিগী দিসেম্বরদা পাঙথোক্লগনি। নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রোফেসার নরায়নন্না হায়- গগনয়ান মিসন অসিগীদমক টেষ্ট তৌবগী চাং চাদা ৮০ লোইশিল্লক্লে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না টেষ্ট লিশিং ৭,৭০০ লোম তৌখ্রে।

লেমহৌরিবা টেষ্ট লিশিং ২,৩০০ অসি মথং চহিগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। ইসরোগী অতোপ্পা মায় পাকপশিংগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা প্রোফেসার নরায়াননা হায়- জি.এল.ই.এক্স ২০২৫ য়াওনা তোঙান তোঙানবা মিসন ১৯৬ চহি অসিদা মায় পাকনা পাঙথোকখ্রে। কিলোগ্রাম লিশিং ৬,৫০০ লুম্বা আমেরিকাগী কম্যুনিকেসন সেটেলাইট অমসু ভারতকী লোঞ্চ পেদতগী কাপখৎনবা থৌরাং তৌরি।

কম্মিসন ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাক্কদৌরিবা উপ-রাষ্ট্রপতি মীখলগীদমক ওবজার্ভর অনি হাপখ্রে। ওবজার্ভরশিং অদুদি- পঞ্চায়াতি রাজ মন্ত্রালয়গী এদ্দিসনেল সেক্রেতরি শুশিল কুমার লোহানি অমসুং শেল থুম মন্ত্রালয়গী এদ্দিসনেল সেক্রেতরি দি. আনন্দননি। উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল মথং থাগী ৯ দা পাঙথোক্কনি। হান্নগী উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা মহাক্কী হকচাংগী ফিভমগী য়েংলগা উপ-রাষ্ট্রপতিগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা অনৌবা উপ-রাষ্ট্রপতি অমা খন্ননবা থৌরাং পায়খৎলকপনি। হন্দক খনগদৌরিবা উপ-রাষ্ট্রপতি অসিনা লৈবাক অসিগী ১৭ শুবা উপ-রাষ্ট্রপতি ওইরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর ক্রাইসিস খঙহৌদনা থোকখিবা নত্তে, থৌওইনা খুজিল থৌরাং তৌদুনা থোকহনখিবনি- রিপোর্ট হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সনালৈবাক অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা থেংখাং অহুল্লক্তা আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহনগনি হায়বা থৌরাংদা মোরে, কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেল্লকপশিং য়াওরমদ্রে হায়বা পাউ বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

তাইরেনপোকপী চীং তাবগী য়ুমথোং হুমফু মাথোইরোম লৈবগী মনুংদা

মরি খক্তমক হোংজিল্লি। প্রসিদেন্ট রুল লৈঙাকা লাঞ্জেন্নরকপশিংদা পীখিবা থাজবা লল্লোনবীনা শরি ৱাশকপগা পাংখক ওইরে হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

যুমথোঙ লাখ মরি লিশিং য়াংখৈ মাথোইগী মনুংদা লাখ অহুম লিশিং য়াংখৈ মাপল থকবা ঈশিং ফংহল্লে হায়বা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গভর্নরনা মীতৈ আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহনগনি হায়বগী পীরকখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পার্লিয়ামেন্ট সাইনে দাই এদজোর্ন তৌখ্রে। ওপোজিসন্না তৌগে য়াওনা অয়েৎপা পীখি হায়বা ওম বিরলাগী ৱাফমা পোকফম পাউজেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সু শাংদোকপগী মতম সেন্তরনা অথুবা মতমদা লাউথোরকপা য়ারি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাহন ওইরি।

আই.দি.পিশিংনা গর্ভনর উন্নখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সুপ্রিম কোর্টকী মখাদা এস.আই.টি শেল্লগা মণিপুরগী ৱাথোক থিজিনহনবা পাম্মী হায়বা পাউনা সেনাপাতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকি-জো কাউন্সিল অমদি কুকি ওর্গনাইজেসন ফোর হ্যুমেন রাইটস ট্রষ্টনা ম্যান্মারদগী মী চংশিল্লকপগী মতাংদা অসাম রাইফলসকী ৱাফমবু অরানবনি হায়বা পাউনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

জিরিবাম-ইম্ফাল রেলৱে অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা রাজ্য সভা এম.পি. মহরাজা লৈশেম্বা সনাজাউবনা তকশিনখিবগী পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------